ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯇ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওগষ্ট ০৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৩০শুবা মশীং

# সী আই দি ওফিস মৈ চাকখিবা

## চপ-চাবা মরম খঙদোকপা চুমগনি

ষ্টেটসিগী অরিবা সী আই দি (ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট) গী ওফিস মৈনা তুম্না চাকখ্রে। থৌদোকসি জুলাই ৩১, ২০২২ অমসুং ওগষ্ট ১, ২০২২গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা থোকখিবনি। হৌজিকপুদি থোকখ্রবনিনা থোকহন্নীংদবা, লাইবক থীবনি হায়দুনা হায়রে। থৌদোকসিদা উৎ-তাঙ্গোই ওনখ্রবা পোৎলমশিং অমুক হল্লক্কদবসু নৎত্রে। মৈ চাকখ্রবা সী আই দিগী কমপ্লেক্সসিদগী থংননা লৈবা সেক্রেটরিএট সাউথ ব্লোককী শরুকশিং অমসুং সী আর পি এফকী বেরেকশিং চাকখ্রিবা মৈদুনা ৱায়হৌদবদু লাইবক য়াম্না ফরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লখিবনি। অদুবু থৌদোকসিদা ক্রিমিনেল কেস কয়াগী মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিং/রেকোর্দ, বোম/নোংমৈ, নোংমৈ মরূ, মেটেল দিটেক্টরনচিংবা য়াওনা কম্প্যুটর সেটশিং লোইনা মাঙখ্রে হায়বা খক্কী মরমসু নত্তনা অমসুং থৌওইনা মীনা থোকহনবা থৌদোক ওইগনি হায়বগী ৱাফমসু নত্তনা থোকখ্রিবা থৌদোক্তু করিদগী করম্না থোকখিবনো অমসুং মদুদা অমাঙ-অতা থোকখ্রবা পোৎলমশিংনা করি-করিনো হায়বদুদি চপ-চানা খঙদোকপা চুমগনি। মরমদি মৈ চাকখ্রবা কমপ্লেক্সসিদা লৈখিবদু ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি-ইন্টলিজেন্স) কী য়াওনা সী আই দিগী ক্রাইম ব্রাঞ্চ, সিক্যুরিটি অমসুং টেক্নিকেলগী এস পি অহুমগী ওফিসশিং য়াওরিবনি। চহী খরগী মমাঙদা স্পেসল ব্রাঞ্চ (এস বি) গী ওফিসসু কমপ্লেক্সসিদা পূন্না লৈরম্বনি। অদুবু এস পি, সী আই দি (এস বি) গী ওফিসতি ফর্ষ্ট এম আর মনাক, মণিপুর সেন্ট্রেল জেলগী মায়োক্লবদা হোংদোকখিবদগী য়াওহৌদবনি। লৈরম্লবদি উৎ ওনবদা য়াওরমগদৌরিবনি।

হোয়, লাইবক থীবা অমসুং খুদোংথীবা থৌদোকসি থোকখ্রে। থোকখ্রবনিনা থোকখ্রসনু। ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্কিটতগী হৌরক্তুনা মৈনা তুম্না চাকখিবা ওইরম্ববুদি য়াই। অদুবু আই জি (ইন্টলিজেন্স) গী য়াওনা এস পি অহুমগী ওফিস কাশিংদগী চপ মান্নবা পুংফমদা ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্কিট থোরক্তুনা খন্ত্রাংননা অমুক্তদা মৈ হৌরক্তুনা চাকখৎলকপা ওইরমগদ্রা? অমুক্তদা কমপ্লেক্স অসিদা লৈবা ওফিসশিংদা কনেক্সন তৌরিবা ইলেক্ট্রিক ৱায়র, স্বিটচ বোক্সনচিংবদগী হৌরকপা মৈ ওইরমদ্রবদি কমপ্লেক্স অসিগী বিল্ডিংগী মচি অমদগী হৌরকপা ওইগদোইনি। মসি ওইরগদি অরাঙবা, নীল-খোংবসু লৈতবা, অমম্বা অহিংদা চাক্লকখিবা মৈদুনা কমপ্লেক্সসিগী ওফিস মরি তুম্না চাক্লবা ৱায়দুনা শন্দোরক্ত্রিঙৈ হৌগৎলকপদা থেংনহৌগদবা কমপ্লেক্স অসিগী থৌদাং লৌগদবা মীওই অমত্তা লৈতব্রা? অয়ূক-নুংথিলদদি কনাগুম্বা মীওই অমা চঙলকপদদি কনানো, কদাইদগী লাকপনো, করিগীনো, কনা উনগদবনো হায়দুনা হংবীনবা নোংমৈ পায়বা সন্ত্রি দ্যুটি তৌবা পর্সনেলশিং লৈ। মেটেল দিটেক্টর পায়বা নুপী পর্সনেলশিং ফাওবা লৈ। অদুবু অয়ূক-নুংথিলগী মতমদনা ঈশিং লিৎহন্দবমখৈ চেকশিল্লগা অমম্বা নুমিদাং-অহিংগী মতমদনা মপু পান্দ্রবরা হায়বগী ৱানি। মরম অসিনা থৌদোকসি থোকখ্রবসু, হৌখ্রবসু করিদগী মতৌ করম্না থোকখ্রিবনো হায়বদু থিদোকহৌবা চুমগনি। হায়বদি 'প্রাইমা ফেসি' লৈব্রা নৎত্রগা লৈতব্রা হায়বদু ইনভেষ্টিগেসনগী নোলেজ ফজনা লৈবা ওফিসরশিংদা শিন্নদুনা থিজিলহনবা চুমগনি। থৌদোকসিগী মতাংদা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিগী মীফমদা 'এফ আই আর' অমা লৌখৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। রেকোর্দশিং মৈ চাকখ্রবসু অয়াম্বনা 'দিজিটেল ফোর্মেট' তা থম্লেসু হায়খ্রে। অদুবু দিজিটেল ফোর্মেটতা হাপ্লগা থম্বা কম্প্যুটরশিং উৎ ওনখ্রবদি ৱাহন্থোক লৈগদ্রা? কনফিদেন্সিএল রেকোর্দশিংনিনা ৱেভ সাইটতসু অপলোদ তৌরমগদবা মান্দে। থৌদোকসিবুদি লাইবক থীবা থৌদোকনি হায়ববু ইন্টলিজেন্স য়ুনিট অমদা থোকপনি। চহী য়াম্লবা ষ্ট্রকচর পূম্নমক্তসু থোকপা নত্তে। মরি মখোঙ থিদোকহৌবনা মায়কৈ ফাংনা কান্নগনি হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১) **"পরিনীতা (লুহোংলবী নুপী)"** হায়বা ১৯৬৮দা অহানবা ফোঙবা লাইরিক অসি কনানা ইবা করি লোলগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **"মৈতৈ জগোই ১৫শুবা শরুক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **"মেহরু"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"নুপী/নহাক্কী পুল্লিবা শম্বুলগী মনুংদা/য়াওরি পারী-পুরিগী চয়োমসু/য়াওরি মণি-মুক্তা কয়াসু/হয়েংগী নুমিৎসু।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **"শামু ময়াগী কংক্র ঙান্থক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৬, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইপুদা ইজবা চিঠি - ১

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নুংশিজরবা ইপুখোয়,

খুরুমজরি ইপুখোয়, মীগী ৱাদি খঙজদে, ঐনদি ইপুখোয়গী থানি হায়না লৌজরি ওগষ্ট থাসি, ওগষ্ট হায়দু য়ৌরক্লে। থা অসি য়ৌরকপদা ইপুখোয়বু য়াম্না নীংশিংই। ইপুখোয়না খঞ্জখিবা, মঙজখিবা লমদমসিগী মঙলান কয়া অদু মঙফাওনদনা থৱায়না পোন্থা পীখিবনি হায়বসি খল্লুরগা হৌজিক ওইরিবা নশু খোঙ্গুলাই চুবা ময়ামসিগা য়েংলুরদি ওন্থোকপনিদকো হায়দু হেক য়ৌই ইপুখোয়। নশু অয়াম্বা কারন য়াম তারে। চারিবা-থক্লিবা ময়াই কাবা কয়া অসিনা মোই মোইগী মশাশিংদি য়েংবা য়াদ্রে। মমিৎ পাংবা হৈবতা ঙাইরিবা ক্লাস নাইন-টেনগা তম্বা মহৈরোয়শিংসে, লোন্না লোন্না মৈখু চিংনরে। মৈখুদা নত্তনা মপংসু মহীসু শীজিন্নবা হৈনরে। চীংদগদি চহী ১২/১৩ শুবা নুপামচাশিংসে লোইনমক উনাদা কোল্লগা মৈখু থক্লবা য়াম উরে। ইপুখোয় মসি থোইদোক্লা অফবা অমা নত্তে। মমাঙঙৈ ইপুখোয়না তারমদবা ময়াই কাবা থকপী-কাপ্পী ময়াম অমা হৌজিক্তি য়াম লৈরে। হান্নদি মপান্দগী লোন্না পুশিল্লক্লম্বনি। হৌজিক্তি লমদম অসিদা মরাং কায়না শুংনরেবু হায়রি। কমদৌনসু শুংলোই, মণিপুরগী মচি মরুমদা লৈবা চীংমাই চীংমাই পোপি পান্বী লোইনা থাই। পোপি পান্বীদগীনি কানি, নম্বর ফোর গাইনা ময়াই কাবা মমল তাঙল-তাঙলবা ময়াম অমা পুথোরক্লিসে। মমল তাঙলিখৈ, মমল য়ান্বা থৱায়সু থুনা থুনা লৌশিল্লি। পোপি থাবা য়ারোই হায়না ফনা কন্না লাউই। কুইরে, কুমওন মশীং য়াম্মে, লমদমসিগী ষ্টেট ফোর্সশিংনা চৈ পায়দুনা চীংদা কারগা পোপি য়ান্থৎলিবা, কন্থৎলিবা। কন্থৎপা হেল্লিখৈ পোপি পান্বী থাবগী চাংসু সুম সুম হেনগৎলক্তুনা লমদম অসি পোপিগী লম ওল্লে। মমাঙঙৈ ইপুখোয়না শা-লানদা শীজিন্নরম্বা লমদমসিগী চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা পোনি হায়বা শগোলদো অদুদি কনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরে, অদুগা পোপিদি মরাং কায়রে।

পোনি হায়রগা কৈনোমবু নীংশিংলকইদা, হৌজিকসে পোনি লোয়বগী অৱাবা ফীভম কয়া শেম্মে। মমাঙঙৈদা য়ূমদা পোনি লোয়নরম্লবসু, হৌজিক্তি কনা অমত্তনা য়ূমদা পোনি লোয়নদে। মখোয়সি ষণদৌনা পুল্লগা থম্বসু য়াদে। অদুনা পাৎতা, লম্মাংদা, চীংয়াদা, ঈশিং তুংবা মফমদা হৌবা শজিক হানৌ চারগা মবুক থনজবনি। অদুবু ঐখোয়গী সিদদি পাৎকী লম, অকুৎপা মফম, পোনিনা হরাওনা লৈজরম্বা মফমশিং অয়াম্বা লৈরক্ত্রে। মদুগী মথক্তা নোং চুরকপদা মখোয়গী লৈফম লৈতদুনা লম্বী সরক্তা থোরক্লে। হয়েং নোং চিং হাংখ্রগা অমুক সরক্তা থোরক্লোই। অদুগুম্বা পোনি অদু লমদম অসিদা নুংশিবা মীগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক য়ামদে। লৈরিবা খরা অসিনা শেল য়াম্না চঙনা, মতম য়াম্না মাঙনা লোয়রি। য়ামদ্রে, মশীং কুম খুদিংগী হন্থরক্লে। শগোল লোয়বা শেল থোক্তে। অদুবু নুংশিবদগী, শগোল কাংজৈ শান্নবদা শীজিন্ননবা লোয়রিবনি। পোনি লৈত্রবদি মালেমদা ইহান হানবা ওইনা শগোল কাংজৈ হৌদোকখি হায়রিবা মণিপুরদা শগোল কাংজৈ শান্নবা তোকখ্রগনি। শুংলৈ লৈররোই। শগোল থাদোকপা ফারগা চৈরাক পীগদৌরে হায়। শগোলগী লৈফম লৈশিল্লক্ত্রে। লম্বীদা থোরকপদা গাড়ীনা থোমদৎপীরে, চানীংঙাই লৈতবনা প্লাষ্টিক্তা য়োমদুনা ময়ূমদগী হুন্দোরকপা ফত্ত-হৌদি মবুক থন্নবা চাবদা শগোল কয়া অমা শিবা-নাবা য়াওরে। লম্বীদা গাড়ীনা থোম্বদগী তাদুনা লৈরবা শগোল উবদা নুংশিবীবদি লায়রদনা মখোঙনা অমুক কাওশিনবীরি। ওন্থোকপা অৱাবা অমনি মালেমদা মণিপুরবু শক তাকচরিবা পোনিনা থেংনরিবা অৱাবসে। অদুবু নুংঙাইত্রিবদি পোনিবু নীংশিংবা ওইনা লুপা ক্রোর চনী চঙনা শেমগৎ শাগৎপা অচৌবা পোনি থম্ফম অমা ইবুধৌ মার্জিংগী চীংদা খিন্নবা কন্না শেম শারি। মদুমগা খিল্লবদি পোনিবু নীংশিংবগী থৌরম চহীগী ওইনা পাঙথোকপা হৌবা য়ারে। মরমদি অহিংবা পোনি পাক উগনি থাজরক্ত্রে। পোনি লোয়বা মীসি খ্বাইদগী মথোং চাদবা, ঙাওশিন ফৈজিন্নবগী থাক্তা লৈরক্কদৌরে। অদুনা লোয়বীনবা লৈরোইদৌরে।

ইপুখোয় হৌখিবা চহীদো, ইপুখোয়না লাকখিবা মতমদো কোভিদ-১৯/কোরোনা য়াম কনখিবা লোকদাউন তৌখিবা মতমনি। মণিপুরদা মতিক চারবা মমল লৈখ্র-লৈখ্রবা মীশক কয়া অমা হাকুমগী কোরোনানা পুন্সি লোইখ্রে। য়াম পাম্মুখি। মখোয়না মরৈবাক মরমদমগীদমক তৌজরম্বা কয়া অদু শীংথাবগী লোইবা নাইরোই। অদুবু মাগী মাগী মতম হায়দুনা লাক্লবদা কনামত্তনা মখোয়বু কনবা ঙমখিদে। মখোয়গী লান্ন-থৌরম ফাওবা নীংথিনা শোনখিদে। মী পূম্নমক কোভিদ-১৯/কোরোনা কিবনা হংবা ফাওবা হংনখিদে। কুমসিদি শাফরি, থোইদোক্লা কোরোনা-নুংলোনা হায়দুমক্তি লৈত্রে, পুংফ-মক্তি নত্তে, অদুক য়াম্না কিনীংঙাই ওইবা থাক অদুদি ওইদ্রে হায়জবগী ৱানি। কুমসিসিনা হৌজিকসি, মখোয়গী কুমওন ফিরোই কন্না পাঙথোক্লরি। কৈনোনে হাকুমদুদি ইপুখোয়, ইমুং ইমুং হুপ্না লোইনা নানবনিনে। য়ূমথংনবা, য়ূমলোন্নবা, কৈরোই লৈকায়, খুল্লোন্নবা অমত্তা চঙনখিদবনিনে। ফাগি ফাগিদগী হাকুমদি হায়সু হায়নি ইপুখোয় ফনা য়াম্না চৎখি। কুমসি খরা শাফরকপা মতমসিদা জেনরেল ইলেক্সনসু পাঙথোকখ্রে। লোইখ্রে, ভোট থাদনদুনা মীহুৎ খনখ্রে, লৈঙাক শেমখ্রে। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পায়রকপা অনীশুবা টর্ম ওইনা হৌজিক কন্না লৈঙাক চথুরি। লৈঙাক পায়রকপগী নুমিৎ চাম্মগী থবক চাম্মা হয়দুনা খুদৈ তাখৎনদুনা কন্না পাঙথোক্লি। অনৌ অনৌবা ৱাফম কয়া অমসু লাউথোক্তুনা খূবাক য়াম্না খুন্নরি। য়াম্না নুংঙাইরে ইপুখোয়, লমদম অসিদা করপসন লৈহল্লোই হায়না কন্না হায়রি। থবক তৌবা মীশিংগী ট্রান্সফর পোষ্টিং ৱানোম্মগা পংতৌদা তৌরম্বদু য়াররোই হায়না ট্রান্সফর এন্দ পোষ্টিংগী রিগ্যুলেসন শেমদুনা থমখ্রে। ৱার ওন দ্রগস হায়দুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মতাংদা পুল্লপ থিংলগনি হায়দুনা কন্না লাঞ্জং কয়া অমা চথুরি। পোপি থারম্বশিং থাবা য়ারোই হায়না অথিংবা কয়া থম্লকপদগী, থাররোই হায়না চীংগী লুচিংবা কয়ানা প্রেস মীদিয়াগী মমাঙদা ৱাফম কয়া থম্বীখ্রে। মদুনবু অশেংবা ওন্থোকপীরক্লবদি য়াম্না ফরনি। অদুবু ইপুখোয় মী তরাদি ফাজদে, হৌজিক্কানসে, নিশা-পসা, দ্রগ করি করা অমত্তা য়াররোই হায়রসু, থৌদোক অমা থোকপদা, মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপদা, অৱা অনাগী মীয়াম তিনবদা, অচৌ অচৌবা মীওই কয়া তিনবদা মমল তাঙল-তাঙলবা য়ুগী বোট্টল বোট্টল খিন্দুনা পার্টি চথুরি। হায়দোকপদি য়াদে, য়াম উরে। অদুদি লায়রদনা মী শিবগী পোৎলোইবা ফাওবা য়ু য়াওদ্রদি পোৎলোইবীনবা মী অমত্তা লৈত্রে, লৈকায় অমত্তদা। য়ুনা শিনবা ঙম্লে, য়ু য়াওদবনা শিনবা ঙমদ্রে ইপুখোয়। লমসে ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মকোন ওইরে। নুপাদগী নুপীদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক হায়রগা লেম্নবদৌনা তৌরে। শাথীরিবু লৈকায় খরদদি (মমিংদি পঞ্জদ্রে) নম্বর ফোর শুংবগী মেছিন লৈরম্মে হায়দনা পুলিসনা ফারগা মীয়ামদা উৎখিবসু লৈখ্রে। য়ুঙাং শুংলম্মে হায়বগী ফাগৎলক্তুনা, শুংবদা চঙবা পোৎলম চৈরম কয়া অমসু ফাগৎপগী পাউ লৈখ্রে। মতা অমা ওইরবনি লমদমসে ইপুখোয়। ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবদা কয়া য়াম্না য়াম্মবগে হায়বসি মশীং থিদ্রবসু, ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবা ময়ামগী লায়েংফম হায়দুইরা, রিহেবিলিটেসন সেন্টর ময়াম অমা লিংখৎতুনা নোংম-নোংমগী মশীং হেনগৎলক্লিবসিনি। মসিনা খুদম চাংদম ওইরবনি। ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবা মী মশীং য়ামদনা মোইনা লৈনবা শঙ শাদুনা খিনবা হৌনদেবা।

ইপুখোয় ৱা য়াম্না লৈ, ঙসিগীদি ৱানা লাকপীবনি, ঙাইহাক পোত্থাবীরো। হায়বৈ ৱানি, কাইদবু পোত্থাদৌরিনোনে, মমাঙঙৈদদি ষ্টেটসিগী ওইনা ষ্টেট গেষ্ট হাওস হায়দনা শঞ্জেনথোংসিদা অমা লৈরম্বনি, অদুসু হৌজিক্তি অচৌ অশাং খরগী ক্বার্টর ওন্থোকখ্রে হায়ব্রা কৈনোমা হায়বনি। ষ্টেটসিগীনি হায়না লেমজনীংঙাই ওইবা পোত্থা শঙ অমফাওবা হেক লৈতবনিনে নরমদম মণিপুরসে। কনাগী য়ুনিভর্সিটি, কোলেজ, খরা চাউবা ওফিস খরগীসু গেষ্ট হাওস হায়দনা চাওবা-চাওদবা লোইনা শারগা থম্লে। অদুবু লৈবাকসিদা মীংচৎ কয়া পুরক্লিবা মণিপুরগীদি ষ্টেট গেষ্ট হাওস সিনি হায়দনা অমত্তা লৈত্রে। সিসু ইকায়জরিবনিনে তৌরিসে। ইপুখোয় লেঙবীরকপসি ঙাইহাক্তং পোত্থাবীয়ু হায়দৌসি, হোটেলদা তাইনে। খিত্তং নানবা ফজবা হায়রগনা নোর্থ এ ও সীদা লৈরিবা ইম্ফাল হোটেল, ক্লাসিক হোটেল, চীংমৈরোংগী ক্লাসিক গ্রান্দেনচিংবা খরা লৈরিসিনি। সিগী হায়রুরদি শেমগৎ শাগৎকদৌবা য়াম ৱাৎলিদা। ষ্টেটসিগী ওইবা ফজবা গেষ্ট হাওস অমা মথৌ তারিবনি। মদুসু মতমগী মতুংইন্না মীৎয়েংবুদি চঙলক্কনি হায়বু হৌজিকমক্কী ওইনদি মঙ মঙবা য়াদ্রিয়ে ইপুখোয়। ৱাসে য়াম হায়বসু য়াদে। ফরক য়াম তাইনে। অদুনা অকুপ্পদি হায়জদ্রে ৱারৌবীনু। খঙদ্রেদা ইপুখোয় ঐনা লমসিদা লৈজৈ হায়বৈ ৱানি, ইপুখোয়গী পোত্থাফম অমা ফাওবা ফম থাবা ঙমজদ্রে, কয়াদা শোনখ্রবা নশুনো? ইপুখোয়না নুংঙাইনি খনবীবা মফম অমদা পোত্থাবীরো। মথং চয়োলদা অমুক অহেনবা পাউ খরা অমগা লোয়ননা ইপুখোয়দা পাউদমজগে। -নখোয়গী নশু অমা ●

# নুপীজা ওইবীশিংবু মান্নবা খুন্নাইদা পুখৎপীবা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

খুন্নাই অমা চাওখৎহনবদা, খুন্নাই অমা চাং মান্ননা হিংমিন্নদুনা ঈংনা তপ্না লৈমিন্নবা অমদি খুন্নাই অমবু অতোপ্পনা ইকায়খুম্নবীবা হায়বসি ওইগী লমদাং ওইরিবী নুপীজা খুন্নাইবু মান্ননা খনবা ঙমদ্রবা, নুপীজাশিংবু ইকায়খুম্ননা য়েংবা ঙমদ্রবা, নুপীজাশিংবু ঙাকথোকপীবা ঙমদ্রবদি পূম্নমক ওইথোক্লোই। ঙসি মালেমগী মফম কয়াদা য়েংবীয়ু। মালেমগী চাওখৎলবা খুন্নাই খুদিংমক্তা নুপীজা ওইবীশিংবু ইকায়খুম্নবী, মখোয়বু নুপাশিংগা চাং মান্নবা থম্বী, লোয়ননা মখোয়গী রাইটস মতিক চানা নুপাগুম্না ফংহল্লি।

অদুগা নাকল অমরোমদনা, নুপীজাশিংবু হন্থনা য়েংবীবা, মখোয়বু পোৎ-চৈগুম খনবীবা, মখোয়বু নুপা ওইবশিংগী মখাদা তোন্না থম্বীবা খুন্নাইশিং চাওখত্তবা খুন্নাই হায়বদো ওইরিবনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি মরু ওইনা নুপীজা ওইবশিংনা নুপাগী থৌজালগী মখাদা লৈবা হায়বদি নুপানা ইমুংগী শেল তান্দুনা থাকপা অদুগা নুপীনা য়ূমগী থবক খুদিংমক তৌবগী চৎনবী লৈবা খুন্নাইদনা খিৎ হেন্না লৈগল্লি। শেল থোক্তনা নুপাগী মখাদা লৈবনা নুপা ওইরিবা কয়ানা মখোয় মখোয়গী লোয়নবীশিংবু হন্থনা য়েংবী, ইকায়খুম্নবীদে, মখোয়গী ৱাসু তাবীদে।

অসিগুম্বা মান্নদবা ৱাখল্লোল অসি লৌথোক্তুনা নুপা-নুপী অনীমক লৈঙাকপদা, শেন্দাল লম্বীদা, ইমুং মনুং পুবদা পূন্না শরুক য়ামিন্নরবা মতমদতা চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি। নুপীজাশিংবু নমথদুনা থম্বগী হৈনবী অমদি ৱাখল্লোল অসি চাওখৎপা ৱাৎলিবা খুন্নাইশিংদা লৈরি। মসি লৌথোক্লবনি ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট হায়দুনা লাউরিবা মালেমগী চাওখৎত্রিবা অমদি চাওখৎপা হৌরক্লিবা লৈবাক কয়াদা। ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট লৈনবা লাউরিবা লৈবাক কয়াগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি। হৌজিক্তি ইন্দিয়াসু অহোংবা খরদি লাক্লে নুপীজাশিংবু ইকায়খুম্ননা য়েংবীবা। অদুবু য়াম্না ৱাৎলি অতোপ্পা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগা চাংদম্নরুবদা। নুপীজাশিংবু মান্ননা খনবা ঙমদবা, ইকায়খুম্নবীদবা অমদি নুপাগী মখাদা লৈগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোল অসিননি ইন্দিয়াদা নুপীজাশিংদা পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লিবা। লোয়ননা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরসু অমনি।

মরম অসিনা ইরমদমদা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরকসি হায়রবদি নুপীজা ওইবশিংবু হীরম খুদিংমক্তা চিংখৎপীবা, পূক্নিং থৌগৎপীবা অমদি শৌগৎপীবা মথৌ তাই। খুদম ওইনা হায়রবদা নুপীজাশিংবু মহৈ মশীন তম্বদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা ফংহনগদবনি। অদুম ওইনমক, ঐখোয়গী ইরমদম খুন্নাইদদি মচন-মচে ওইবী কয়ানা মখোয় মখোয়গী মবুং মৌপ্পা কয়ানা অৱাংবা মহৈ তমদুনা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনবদা মখোয় মশা মশাগী মহৈ তম্বা তোকথোক্লি। কয়া অমনা ইমুংগী থৌদাং পূম্নমক লৌদুনা মহৈ তম্বা ঙমদ্রি। মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি ঐখোয়গী খুন্নাইদসু নুপীজা ওইবীশিংবু নুপাগুম মশীং থাবীদে হায়বসি।

মহৈ নিংথিনা তমদ্রবদি নুপীজা ওইবীশিংনা মতৌ করম্না ওফিসকী থবক তৌগদৌরিবা, মতৌ করম্না ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইবা ঙমগদৌরিবা, মতৌ করম্না শেল থোক্কদৌরিবা, মতৌ করম্না পোলিটিক্সতা চঙদুনা লৈবাক ঙাকপদা শরুক য়াগদৌরিবা। লাইরিক হৈত্রবা, শেল থোক্ত্রবদি মপুরোইবা অমদি মনেম মকুবোকশিংগী মখাদা পুন্সি অদুম লেনবা তাবনি। মসি হায় হায়দুনা নুপীনা নুপাগা চপ মান্নগদবনি ইমুং মনুংগী ওইবা অঙাং শেম্বগী অমদি য়ূম পুবগী থৌদাং তোকথোক্লসি হায়বদি নত্তে। ইমুংগী থবক অয়াম্বা নুপী নুপা অনী পূন্না তৌমিন্নবা মথৌ তাই, নুপীখক্তনা অঙাং য়োক্কদবনি, চাক থোংগদবনি, ইমুং মনুংগী থবক খুদিংমক তৌগদবনি হায়বা লৈতে। ইন্দিয়া অমদি ইরমদম খুন্নাইদদি নুপীজাশিংনা ফংফম থোকপা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা পীরিবা হক (রাইটস) শিং ফংহন্দনা থম্লি ঙসিসু। চিন্দনা অমা, তৌথোরকপদনা অমা।

ঙসি ঙসি, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোন্দা নুপীগী মশীং অসুক্কী মতিক চাং নেম্না লৈরি। ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী পুৱারীদা খ্বাইদগী ৱাংনা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাকপা ঙম্লে হায়রিবসি শুপ্নগী নুপী মঙা খক্তনি, হায়বদি চাম্মদা শুপ্নগী ৮ মুকনি হায়বনি। অদুগা পূন্না কেবিনেট মিনিষ্টর ১২ লৈবদা নুপী মিনিষ্টর অমখক য়াওরি। অমখক য়াওবসিসু মতম কয়াম শাংনা মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা তম্বা ঙমদে। মসিনি ঐখোয়গী খুন্নাইদা নুপীগা নুপাগগী খেন্নবসি। মসি হীরম খুদিংমক্তনি। নুপীনা হেনবা হীরম অমখক হায়রগদি ইমুং মনুংগী থবক পূম্নমক তৌবা অসিনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদবু মতৌ করম্না ইন্দিয়ানা লাউরিবা ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট ওইথোক্কদৌরিবা।

অসিগুম্বা মান্নদবা খুন্নাই অসিদা মতৌ করম্না নুপীজাশিংবু চিংখৎপীদুনা, শৌগৎপীদুনা খুন্নাই অসি শেমগৎপদা নুপাশিংগা চাংচৎ অমদা শরুক য়ামিন্নবা ঙমগদগে, মদোম লেপচদুনা খুন্নাই অসিদা নুপীজাশিংবু ইকায়খুম্নবা অমদি নুপাশিংগা মান্নবা মীৎয়েংদা থম্বদা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং অসি খন্ন-নৈনবগী মথৌ তারিবা। নুপী নুপা অনীগী মরক্তা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরকপা হায়বা ৱাফমসিদা নুপীজা ওইবীশিংনা মদোম লেপচবা ঙম্নবগী পান্বে য়েংলকপদা শেন্দাল লম্বীদা চঙদবা য়ারক্তে। মতাংসিদনি নুপীজা ওইবীশিংনা মতৌ করম্না মখোয় মখোয়গী চান্নজবা হীরম কয়াদা মতৌ করম্না নুপাগুম তোঙান তোঙানবা হীরমদা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইনা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা মদোম লেপচবা ঙমগদগে হায়বসিগী মতাংদা "Women Empowerment – Women in Today's Manipur" হায়বা হীরমসিদা খন্ন-নৈগদৌরিবা।

হায়রিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি দাইনামিক মণিপুরনা শিঞ্জ-লাংজদুনা ইম্ফাল সিটিদা লৈবা সিটি কনভেন্সন হোলদা চৎলিবা থা অসিগী ২৭তা পাঙথোকচগনি। ঐহাক ইশামকসু টাইৱান্দগী লাক্তুনা শরুক য়াজগদৌরিবা থৌরম অমনি। হায়রিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসিদা হীরম অসিদা খঙ হৈরবা অমদি মশা মশানা পামজবা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইনা মায় পাক্লবা কংলৈ চনুরা নুপীজা কয়া অমসু লাকপীদুনা শরুক য়াবীগদৌরি।

থৌরম অসি অয়ূক্কী পুং ৯দা হৌজগনি। ইরমদমগী গভর্ণর হিজ এক্সিলেন্সিনা হৌদোকপীগনি। হৌদোকপগী থৌরম অসিদা Speeches, Videos, Felicitations by the Chief Guest অমদি অরোইশিন ৱাফমনচিংবা থমজগনি (Concluding Remarks)। মসিগী মতুংদা অয়ূক্কী পুং ১১দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মনুংদা অহানবা তাঙ্কক (সেসন) হৌজগনি। অহানবা তাঙ্কক অসিদা 'ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপ' কী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। নুংথিল পুং ১দগী ১.৪৫ ফাওবনা চাকলেন লৌবগী মতম ওইগনি। অনীশুবা তাঙ্কক নুংথিল পুং ১.৪৫দগী ৩ ফাওবা লৈগনি। অনীশুবা তাঙ্কক অসিদা 'ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট' কী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। মসিগী মতুং মিনট ৩০ পোত্থারবা (Tea break) মতুংদা অরোইবা অহুমশুবা তাঙ্কক নুংথিল পুং ৩.৩০দগী ৫ ফাওবদা পাঙথোকচগনি। অরোইবা তাঙ্কক অসিদা দাইনামিক মণিপুরগী ১৮শুবা Inspirational Episode – "Sports, Society & Entrepreneurship" হায়রিবা হীরমশিং অসি থমজগনি। ইরমদমগী নুংশিজরবা নুপীজা ওইবীশিংবু মান্নবা খুন্নাইদা চিংখৎপীবা পান্বীবা, নুপীজাশিংবু শৌগৎপীবা, ইকায়খুম্নবীবা ইরমদমগী ইচিন ইনাও অমদি ইচল-ইচেশিংসু হায়রিবা থৌরম অসিদা লাকপীদুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না লাপ্পা টাইৱান্দগী নোল্লুক্লা পাউদমজরি। য়াইফমীন্নরসি। ●